হুয়েয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO



*অহানবদা ঐসে শাইরিক ইবী অমা ওইগে খনখিদে স্কৃপচর ওইগে, শাইয়েকপী ওইগে খনখি। কমদৌনা শাইরিক ইবী ওইখিবনো ইশাসু ভাব ইতা তাখৌদে।"*

*- এম কে বিনোদিনী*

## ঙসিদি ঐ থক্লুরে

**—নোংমাইথেম প্রেমানন্দ**

ঙসিদি ঐ থক্লুরে
মমা নঙ শাউবা য়াদে
ইমান্নবা তোম্বৈ পাবুংগী
পোৎলোইবা চৎলুবদা থক্লকপনি।

ঐদি থক্লুরোই লেপচরবনি
নুংশিখ্রবা মরুপ অমগী
ইপানগী লৈচন্দোন লাক্লে
চৎত্রবসু মানা শাউরনি
চৎলগনা থক্তবা য়াররোই।

শিবা চঙবা লুহোং খোংদোং
যুগী যু ঙাক্তা ঙাইরে
চৎনবী ওইরক্লে যু থকপা
যু মাদি লৈহৌনি
থক্লিবা ঐখোয়দি চৎখিনি।

## থবক্কী ওফিস

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

থবক্কী ওফিসতা চৎলি ঐনা
থবক অমা পীবিনবা
থবক পীবা মীদা ঐনা হায়জৈ
থবক অমা পীবিনবা
থবক পীনবা ইরকপা
চিঠি অদু পুথোক্লদুনা।

থবক পীগদবা ওফিসারনা
ঐবু মুন্না য়েংলগা হায়,
থবক পীনবা চিঠি অদু
পারদুনা ঐবু মুন্না য়েংলকই
মন্ত্রিগী মীরা?

ও হোয়
থবক্কী ওফিসতা ফল্লল্লিবা
পূম্নমক ঐঙোন্দা মুন্না য়েংই
মখোয় মশেল মুরুম মুরুম শোন্নখি।
ঐবু মুনা মুনা য়েংলকই
থবক্কী ওফিসকী মী পূম্নমক।

## কাউদবা

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

মীয়ামগী কৎথোক্লবা মখোয় খুদিং
মীয়াম্না মখোয় খুদিং কাউরোইদবনি
মখোয়গী অফবা ৱাখল লৌশিল্লবা
অফবা মী ওইবা শোয়রোই
হঙ্গৎনা য়েংবা কাউদবা ফৈ।

## ফেসবুক্কী ৱান্টেদ

**—সৌবাম সোবিতা**

ইমানদি হায় ঐসে,
ইচাসে রাশী লৈখ্রে
মপাগী মশক মাল্লিনি
তুম্পক-তুম্পক রাশীনা মতুম-মতুম।

ইমানা হেক পোল্লকপদগী সৈত্য
নুপী অমতনা ঐবু য়াবিদ্রি
হায়রুবা খূদিং খারপ তৌবা মিৎয়েংনা
য়েংলম্মী হেক্তা ঐঙোন্দা।

নুংশিজরুবনিনা ঐনদি মাবু
মানা য়েংলকপা মিৎয়েংদুদা য়ারবোই নীংলুই
চঙশিনলুই মনাক তম্না হরাউনা
অদুগদি কিবা ওইরম্লে ঐবু উবদা।

অমদা অমুক হায়রুই নুংশিজৈ হায়না
অমদসু অমুক হায়রুই নুংশিজৈ হায়না
ফনা য়াম্লে মশীং ঐনা হায়রুরিবা
য়াবা কৌবা মরৈতে কনামত্তা ঐঙোন্দা।

করিগীনো ঐসিবু কয়াম থীরগে তৌরিসিবু
মিংশেলদসু য়েংলে হঞ্জিন-হঞ্জিন
থোইদোক্লা থীদেনা ঐ মুরগা চাউই সিদনি
কোকসিসু খরা চাউই শওম মাল্লজাৎলা ?

নখোয়বু কৈদৌবগে ইচল ইচেশা
হায়নবদাইনে মরিংনা শাবা শঙবাইবু
নাম্মা হাংবা হৌনব্রা?
নখোয়বু অমতা শেম্বিয়ুবা নাম্মা হাংবা তারে ঐ।

হুঙ! কনামত্তদা হায়ররোই
ফোটো ফজবা নম্লুগে এদিটিং ফজনা তৌহনগে
ফেসবুক্তুম হাংদোক্নে ফজবা ফোটোদু থাগৎকে
মদুদগীদি ঐ ফেসবুক্তা তান্নরক্লুনি ময়ামগী 'ৱান্টেদ'
তান্নরুখিগে স্কোলর ময়াম অমা ঐ চৎলে।

## কৃষ্ণ জগোয় শারো

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

ইচা তূম্লি
তুমখুল তান্না
মঙ-মঙলি
মঙলান 'মদা
মঙফাওনররোইদবা মঙ!
ইচাগী তূম্বা কায়দনবা
কৃষ্ণ নঙ
জগোয় শারো
থেমলো তূম্বা য়ানবা
হৌদোক্নু তূম্বা কায়নি
ইচাদি মাক্সনি, লেনিননি
ইরাবতনি।
গোভর্ধন চীংবু থাঙ্গৎলিবা
ষণবী ষণনাওশিংগা
চেন-চোঙনা শান্নরিবা
কৃষ্ণ!
জগোয় শারো, বাঁসি খোংলো
হৌদোক্লো তূম্লিবশিং।
নঙগী বাঁসি খোঞ্জেলনা
নিলহল্লো
গঙ্গা-যমুনা তোর্ব্বানসে
ফকাইহল্লো কদমগী মখোঙসে।

## মমশিল্লক্লবদা

**—মেঘ কোলোম**

চানরক্লে লাক্না শেৎতৎনদুনা
মশেল অঙম অঙম্বা
লমলক্কী শা কৈশিংদুনা
চঙনরক্তুনা যূমথোং খুদিং।
কপ্না লাউনরক্লে তম্নরক্তুনা
চঙলক্তুনা ইমুং খুদিং
অদুঙৈ লাক্না ফাঙমদ্রবা
লমহাং লমদু হুঙা লাউরি।
মমশিল্লক্লবদা যূমথোং খুদিংদা
মুৎলক্লবদা মৈরা মঙালদুনা
অহিংগী অমম্বা কোক্লরম্বা
অদুঙৈগী মুৎনাইদা থাউমৈ।

## লুহোংবগী লোইশিল্লকপদা

**—খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর**

অস!
হেক ওন্নখিদা
ঐগী অমুবীদো
রাসিনা মতুম মতুম য়াম্থবীদো
পাম্লুরমাল্লেদনা নুংশিরুরমাল্লে
রাসিদা ঙাওদুনা
মপূ পাল্লবনি খঙদজাৎলা
ফজবী মাংগোলজানবী অঙৌবী
মশাগীবু হুন্দোক্লম
লাকমিন্নরগা মবান্নি
কমদৌনি মীরায়বীরল্লবীনি
নাইতোম লৈহৌরবিনি
কনানসু হন্না য়েংবীদ্রবীনি
হুন্দোক্লল্লবনিনা ঐসু লৌশিনজরে
লাইবক্না তম্লক্লববু কমদৌনি
হুন্দোকপা য়াব্রা নুংশিবী
ঐগীনা মীগীদা চৎখ্রবদা।
ঈরানয়ায়দা পুরেদো
খুদাং পায় চিংদুনা
নাক্ত লেঙদ লৈরেদো
ঐগী ওই ঙসিদৈ
ঐগীদুগা মান্ননা নুংশিরে
লুহোংবগী লোইশিল্লকপদা মাঙখ্রবী
লমতা তরাহুমদোই পানবদা
মহুৎ শিন্দুনা লৈরম্বী
য়ূম্নাক ওন্নৌ তম্লল্লমাল্লে
মাগীনা ঐগীদা
ঐগীনা মাগীদা
হেক ওন্নখিদা
অস!

## ইমাদি পুবা ৱারক্লে

**—অথোকপম তোম্বা**

অহিং ইচিক হুল্লকপা
তাইবঙ খোঞ্জেল তাদ্রবা
মায়কৈ সলাই খঙদনা
তারি খোঞ্জেল অমা।

হায়রকপগুম তৌখি অসুম্না
ইমাগী পারী ইমোমশা
খোল্লেন তূমখুল তাল্লিবরা
কংলৈ নরম লমলেনসে
ইমাদি পুবা ৱারক্লে।
লৈরি নখোয়দি নীঙাইদনা
তূমখুল তান্না কংলৈদা
অহিং নুংথিল খঙদ
লাক্লি নুংতি নুমিৎকী
কংলৈ লোনবু খঙদবা
ইফুৎ মতৌ লৌদুনা।

ফাউরক্লি নোংমা নোংমগী
ঈচাউ নোংমা থোক্লনি
মীকপ থোক্লো পারি সমোম
তূমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে
কংলৈ নমাদি মীংশেল খাং
তূম্বা মচেৎ চাব মচেৎ
কৈদ শোয়খিনি খন্দুনা
কংলৈ নরম নুংশিবা
মীগী খুবাম মনুংদা
হিরু হীদা ফারবদি
মীখা পোনবা মহিংদা
অৱা চৈথেং খাঙনিদো
মীকপ থোক্লো ইচাশা
ইমা পুবা ৱারক্লে।


## নঙ

**—ডা. শান্তিবলা শমুরাইলাৎপম**

শাৎকাইরবা মাধবিগী লৈয়োন্নুং
লোৎতুনা লৈরি নঙ
পোল্লিবা গুলাপকী লৈকানুং
তূমখুল তাল্লি নঙ
য়েনীংথা মাগী মথানুং
লেঙদনা য়াতারি নঙ
থেংলসু থেংনা ইনুং
য়েনীংথাদা ঙাওজবা নঙ
শেমজিনবিদরবা ঐগী লৈকোন্নুং
লৈশাৎ তম্লি নঙ
থুপ্লবা থম্মোয় লকানুং
তুমিন লোৎলি নঙ
খুমজিনখ্রবা শৈরেং লমায়নুং
লেংদনা লৈরি নঙ

# ওলাংথাগী লৈপাকলৈ

## (নুপীনা কদায়ফাওবা ফত্তবা য়াই নৎত্রগা ফবা ঙম্মী হায়বদু চাংয়েংলিবা অইবা)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ওলাংথাগী লৈপাকলৈ |
| মখল | ঃ | নোবেল |
| অইবা | ঃ | ডা. আই এস য়ূম্নাম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৪ |
| অফোঙবা | ঃ | রাইটর্স ক্লব মণিপুর, নম্বোল |
| মমল | ঃ | ৩০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**নোবেল** হায়বসি মীওইবগী, মরুওইনা নুপী নুপাগী পূক্নিং মতা (Passion) অমসুং লৈনরিবা মরী (action) অদুদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। মসিগী মনুংদা লৈতবা মীওইবগী থবক অমতা লৈতে। অদুনা নোবেলবু ইশম শম্না 'ৱারী লীবনি' হায়না য়ানরে। ৱারীদু লীবা য়াবা ৱারীরা অমদি কমদৌনা লীগনি, করি করি চঙগনি হায়বদুনা নোবেল ইরিবা অইবদুনা শেমজগদবনি। মদুদা প্লোট (Plot), লমচৎ শেম্বা (Characterisation) ৱারী-ৱাতাই (dialogue) অমদি শৈথাবা (description) অদুম য়াওজরে। অদুনা ঙসিদি নোবেল অসি মিৎয়েং অমদগী চাউরাক্লা মখল অনী থোক্লক্লে। প্লোটনা ঙম্বা, লমচৎ শেম্বদু শোনবা অমা, অদুগা লমচৎ শেম্বদি ফজরবা অদুবু প্লোট শেম্বদি শোনবা মখল অমা। অনীমক অফবা নত্তে, অনী অসিগী ওইফম থোকপা মরী অদু শেন্নহৌদবদগী থোকপনি। অচুম্বা মওংদি অসুম্না হায়রি, "The right way is to conceive them throughout as forces vitally interacting in the movement of the story." অদুনা মচাক অনী অসিনা চূং-ফিরাল চানা ইবা ঙল্লবা ফজবা নোবেল অমা অদুম ওইরনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরম্বগী মরমদি ঙসি ডা. আই এস য়ূম্নামগী কলমদগী পাব য়ারবা নোবেল অমা থোক্লক্লে। মসিদি অফবা খুদমনি। শৈরেংদা ঙাওদুনা লৈরুরবা অইবা অমনা ৱারী লীশাং ইবদা মশক থোক্লা উৎপা ঙম্বসিদি থাগৎতবা ঙমদ্রে। ঐদি হায়নীংঙি ডা. য়ূম্নাম শৈরেংদগী নোবেলনা মায় পাকপা হেল্লে। মখা তাহন্নীংঙি। অইবা অসিনা নুপী ৩খক্কী লমচৎ শেন্লি। মদুদা পকচবা প্লোট হাপচিনবনি। ঐনা মথক্তা হায়জখিবগুম লমচৎনা প্লোটপু চেনথুবা মতাংদি থেংনৈ। অদুবু লমচৎ অহুমসিনা মশীং য়াম্লবা নুপীগী ফোঙ-ফোঙ শারিবা পূক্নিং মতা চপ-চানা ফোঙদোকপা ঙম্বনা ফজবা নোবেল ওইহল্লি। Style দি 'Freytag triangle' হায়নবা প্লোট খূৎশেমদুনি। Gustav Freytag কী মত মতুং ইন্না নোবেলগী প্লোট অয়াম্বা Pyramidal shape তা চৎনৈ। Rising action, the climax and the falling action অসুম্না। ডা. য়ূম্নামসু থোইদোক্তে। অদুবু Technique তি L. T. Lemon Technique শীজিন্নরি। মাগী মতুং ইন্না technique ৩ লৈরি। (a) Transposition : মসিগী মতুং ইন্না অইবনা ৱারীদু তুং-মাঙ কায়দনা চুমদ্রিং লীথবগী মহুত্তা ফজনবা কোন্না থোকপা থৌদোক্লা মাঙ কাখৎহনবা য়াই। (b) Juxtaposition : মসিগী মতুং ইন্না লমচৎ অনীগী পাউ তম্বদা তুং মাঙ তম্বগী মহুৎ খম্ব্রাং থমদুনা চাংদম্নদুনা তম্বগী মওংনি। (c) Addition : মসিগী মতুং ইন্না ৱারী মপূং ফানবা, Sub-Plots, Secondary Characters অসিনচিংবা হাপচিনববু খঙনৈ। ডা. য়ূম্নাম technique ৩ মক মায় পাক্লা শীজিন্নবা উরি। অদুনা পাবদা suspense পীবা ঙম্মী, Surprise ওইহনবা ঙম্মী। লাইরিক অসিগী অহেনবা মঙল অমতংগা পল্লম্বা তারবদি অইবনা খঙই, ৱারীখক্লা নোবেল অমা ওইবা য়ারোই, ফনা ফজবা প্লোট ওইদুনসু ৱারীদুনা য়েক্লিবা পুন্সিদুগী চং ফংনা চঙশিনবা ওইথোক্তে, পুন্সি হায়বসিদি 'a bundle of contradictions' নি, অদুনা লমচৎশিংদুগী ৱাখল মনুংদা চঙশিনবা ঙম্বা তাই, অসিনচিংবা। হায়রিবশিংসি Experimental Nobel গী মচৎনি। মসিবু Stephen Spender না 'The world within the world' হায়না কৌই। ডা. য়ূম্নাম্না মাগী নুপী লমচৎ ৩ অসিগী consciousness তা চঙলগা নুপীগী নুংগী তাইবঙশিংদু চিংথোক্তুনা ইনবা লাক্লরি। মায়সু পাকই।

অহানবা ওইনা, অহানবা লামায়দা চীংলেন কৌবা মোরেগী ও সি অসিগা কুন্দোরৈ কৌবী নুপীসিগা চাক চামিন্নবদা ফাগী তৌনবা, কেনবা, মতাং চাদনা মেলৈ লাংনবা উৎলি। অদুদগী অপাবশিংনা চীংলেন কনানো কুন্দোরৈ কনানো থিনিংলকখি। অইবনা হৈনা-শিংনা খরা খরা হায়দোক্লকই। চীংলেন মপা-মমাগী অমতা পোকচবা মচানি। মমানা উখুল নিংঙোলনি। মমানা মা পোকপদা লৈখিদ্রে। মমাগী মাঙদা ৱাশকখিবা ঙাক্লবা মপাসু নুপী অমুক থিদনা মাবু লুনা য়োক্লকপনি। মানা মী ওইরক্লবদা, ও সিফাও ওইরক্লবদা মপানা কয়াদা হরাউজবা। মদু মশানা তাবনি। অদুবু অইবনা লৈথোকখি, নাথৈদুনা পুখি, অদুগা পুন্সিবু পুন্সিনি খন্দ্রবা, নুপা হায়বসি শান্নপোৎনি খল্লিবী নুপী অমগী মখূত্তা তাখি। মহাক্তু কুন্দোরৈনি। কোনষ্টেবল থোইবা অমদি জোনগী শরৌদা তাখি, জোনগী মচা লোন্না কুন্দোরৈগী সিয়োম্নুংদা চঙখি অরোনবা লম্বীদা। মদুগী ফলনা অনীদুনা চাজখি। অনীমক চীংলেনগী খূত্তা মথ্বায় থাখি। অঙাং নুপীমচা অমা পোল্লবা তুংদা। মচা অদু চীংলেন্না পামদ-পামদ মাগী ওইবা তাখি। মশানা মী হাৎলুবগী মরালদা জেলদা চহী কয়া লৈবা তাখি।

ময়ূমদদি মাগী নুপী লৈপাক্লে লৈরি, কায়নখ্রবী মাগী নুপীনা থল্লম্বা মচানুপী তম্ফা লৈরি, লৈপাক্লে মখোয়নীগী হেক মচা নুপা চীংখৈঙানবা লৈরি। অদুগী মথক্তা অশোনবা মপাসু লৈরি। ময়ামসিনা কমদৌবা। মসিনি নোবেল অসিগী ৱারী ওইরক্কদৌরিবা, ঈচেল ওইনা চেন্থরক্কদৌরিবা লার্মা ৩৩৯ ফাওবা। অইবনা ওন্থোক্লা হৈনা নুপীগী লমচৎ অমগা অমুক শেল্লকই, কুন্দোরৈদগী খেন্নবা, ওইবা য়াবা, অদুবু লৈপাক্লেগী থমোয়দি পান্দবা অমা। মহাক অদুনা চীংলেনগী মচা চীংখৈঙানবগী নুপী শকহেনবীনি। চীংখৈঙানবা নোংমখক নুপী অমা চেল্লুরে। বামন নিংঙোলনি। মমা মপানা লুহোংনি হায়দুনা খাইদোকখ্রগা নমদুনা অমদা পীথোকখিবনি। নুপীদু পামদবা কাদা লৈদৌ শরুক শিখিবনা ফৈ খন্দুনা হূ চাদুনা শিখি। মদুগী লাইমন্না চীংখৈঙানবনা পুহৌরি। অদুবু মমাগী অপাম্বা মতুং ইন্না অমুক্তি নোংমখক চেল্লুরবী শকহেনবীবু লৌবদা তাখি। অদুবু মাগী থৱায় ওইবী বামোন নিংঙোল থম্বালগী মহুৎ ওইবা ঙমখিদে শকহেনবীনা। মখোয়গী মরী ফৎত্রে। মসিদা ফজরিবনা শকহেনবীনা খজিক্তফাও হন্থদবা, চপ চানা মায়রোং য়াবা ঙমখিবা অসিনি। মহাক ঙসিগী নুপীসু মীনি উৎপা পাল্লিবা নুপীশিংগী মহুৎনি। অদুনা চীংখৈঙানবগা মায়োক্নরকই। শকহেনবীগী হৌখ্রবা পুন্সি ৱারীদা থরুম তৌদুনা কোৎথ-কোৎথ ঙাঙবদু শকহেনবীনা চপ চানা পাউখুম পীবা ঙম্মী। অদুনা মমৈদদি ৱারেপ লৌরকই মথন্তা, "ঐবু শিখ্রসিরা, হিংমিন্নসি য়াদ্রবদি মারা ঐরা অমা হিংহৌবা তাই, অনীমক হিংবদি য়াররোই। অদুসু মা ওইনা শিখিবনা ফৈ, ঐনা নুংঙাইনা পালহৌবা।" মসিদি অচৌবা ৱারেপনি, ইনৌ নৌবা প্লোট অমনি ডা. য়ূম্নামগী। চপ চানা পাঙথোকখি শকহেনবীনা, মমাগা তানদুনা মাইবা থিরে, মাইবনসু অকনবা হিদাক পীরক্লে, চাক্তা য়ান্নবা, এন্সাংদা হাপ্নবা। মদু থারুবদগী চীংখৈঙানবা নোংম নোংমগী শোন্থরক্লে। ডাক্তরদা পুবদা চাকখাও পৎলম্লে, তাইবঙ থাদোকখ্রে। শকহেনবীদি চীংখৈ লৈরিঙৈদগী মখোয় দুকানগী থম্বা পাখঙদুগা অরোনবা মরী থমখ্রবনি। চীংখৈসু মদু চিংনদুনা ফানবা হোৎনবদা মায় পাকখ্রবনি। শকহেনবী মপাম য়ৌখ্রবনি। মচা নুপা অমখক লৈবদুনা মনেমবোক লৈপাক্লেনা য়োকহৌরিবনি। মচানসু মাবু ইমানি খন্দ্রবনি। অদুফাও শকহেনবীগী থমোয় নিক্তে। মতমগী নুপী চপ চানা ওইহল্লি। তৌনীংবদা তৌখি, মশাগী দুকান কোন্থোংদা ফমদুনা, পোৎ থারবা মঙ্গী কৌবা অমগা অমুক মরী লৈনরে। মশা ৱাই শংলক্ত্রে। লৈবা য়ারক্ত্রদুনা মঙ্গীদা চেল্লে। এন জি ও তৌদুনা খরা নুংঙাইজরম্লে ক্বার্টরদা লৈদুনা। অদুবু মঙ্গীদি দ্রগ ললোনবা চৎপদা হাৎপিখ্রে, হল্লক্ত্রে। শকহেনবীগী লম্বী লৈরক্ত্রে। অকোনবগী মচানুপীদু পুদুনা মপামদা মমাগী নাক্তা লাক্লে। মশাসু লোইরে, থমোয়সু কায়রে, অদুনা লাউরকই, "ঐ হিংনিংদ্রে।" খোল্লাউ অসিমক্তি মনীং তৌবা পাম্বী নুপীশিংগী অরোইবা খোল্লাউনি। অইবনা ফজনা মশাগী মচৎকী ফল অদুম ফংহনখি। পুম্মাং মাঙখি। শকহেনবী শিবা ঙাইনা লৈবা তাখি।

লৈপাক্লেদি নুপী মখল অনীদুনা পীরম্বা চৈথেং, চৈনা খাংলি, মশুনুপাদু কোন্দুনা, মপুরোইবনা থনম্বী মোরেগী মচানুপীদুগী কেস থেংনদুনা। চীংলেন মিয়াৎ লোইদুনা থোক্লক্লে। অদুবু মপাবুংদি মাগী পাউদু তাবদা হান্না তাইবঙ থাদোকখ্রবনি। কুইনা লৈরমদ্রে মাসু। লৈপাক্লেগী মশা শোক্লমদ্রে, AIDS পল্লবা মানা লৈপাক্লেবু মাংথোক্লমদ্রে। মশাগী মরাল খঙজরক্লে। অদুনা মতোমতা শিজখ্রে।

লেমহৌরিবা হায়ববু লৈপাক্লেগী চাউপোক মচানুপী তম্ফা অমদি মশুনুপা অনীদা ঙায়হৌরে। তম্ফাসু ময়ূম পানখিদুনা নুংঙাইনা লৈখ্রে। লৈপাক্লেগী থমোয়না মশু অদুদংদি তুংগী মীরোলগীদমক অৱুবা ঈচেল ওইনা থনমনীংঙি। অদুনা মৈশা মরক্তুদা ময়ূম য়োম্থোক্লল্লগা মৌপ্বা শাজৌগী নাক্তা খুঙ্গংদা কুমখিবা উৎলি। লৈপাক্লেনা কোন্থোং তপ্না লোনশিল্লগা য়ূম লৈরিবা মীদুদা মখ্বাংদগী শো লৌথোক্লগা শিন্নবা মীকুপ্তুদি তশেংনা কপনীংলক্কনি।

অরোইবদা অপাবা খুদিং লৈপাক্লেগী খনবদা স্বর অদুম চাউদনিংঙাই লৈরোই। মানা কপ্পদা য়াওদবা ঙল্লোই। অইবনা নুপী মখল অনীদু খুন্নাইদা লেপ্পা ঙমগদবা লমচৎ নত্তে। খুন্নাইসিনা তঙাইফদ্রিবা অসি লৈপাক্লেগুম্বনি হায়বদু ফজনা উৎলম্লগা লামায় খুমজিনখি।

# অমম্বা অমসুং ৱাকৎ

**মকোক** তাঙবা মশা নোয়বা সেকেন্দ ও সী অদুনা তম্পাকলৈমগী মমায় চপ চানা টোর্চ লাইট কাপশিল্লি। "হে নুপী! নঙগী নুপাদু পুথোরকউনে। মীগী মচা লৈশাবী অমা মাঙহনবা নঙগী নুপাদু কদায়দা লোৎশিনখ্রে, হা?"

তম্পাকলৈমা শকফম হোংদে। তুমিন লৈ। হুই ঙাওরবদি হুইবু থিবা হৌনবনিনা মাবু থিরকপনি হায়বা মহাক খঙঙি। মরমচৎ নাইদবগীদমক্তা মপানা লোৎখ্রবদা, থানা গাড়ীনা কোন্থোংদা খাল্লরবদা মচানুপী অহল কাবক চাউরবীদুদি মৌপ্বানুপা খরা চাউবদু মখূৎ শমদুনা মনীংথোঙলোমদা ফাওদুনা চেনখিবনি। তম্পাকলৈমনা খাম্বা নংহৌদে। ঈরা চেল্লবা মমিৎনা মুন্না য়েংহৌবা নত্তনা উপাই লৈখিদে।

"হে নঙবুনিনে! মীনা হংলগা তুমিন লৈথোকপা, নঙবু ঙাওব্রো?"

মখূৎতা পায়বা টোর্চতুনা মকোক্তা শুগে তৌরকই। তম্পাকলৈমা হান্নগুম মচি লেঙদে। মচা থাদক্কী অতোম্বদু মনঙ্গন্দা পোরি। নাহোং চেৎনা লাকশিল্লি। থানা গাড়ী মথক্তা ফীভম চেৎনা ফল্লি। লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিং, ক্লবকী নহারোলশিং ফিঙৌ ফৌবগুম কোন্থোংদা লেপ্লিবদু তম্পাকলৈমনা মশেন-মরাং ওইনা উখি। মহাক ৱাকৎ অমতসু পামদরে। হোয়-মাই অমতা হায়নীংদরে। করিগুম্বা ৱাকৎ অমতা পামদ্রবসু পিদোল্লবা মথম্মোয়দুনা করম্বা ৱাহং হংনিংলমগদগে হায়বদি মীয়াম পূম্নমক্লা খঙলমদে।

নুপী থানা মরিখক্লা নাক-য়েৎতা চপ্লদুনা মমা-মচাবু কোয়শিল্লিবদু তম্পাকলৈমা থোইনা নাচুংদে। ভাব-মেন তাদে। লৈকায় মিটিংগী ৱারেপচে অদুদি ফীজিদা চেৎনা কিশিল্লি। হয়েং নোং হেক ঙানবগা তম্পাকলৈগী ময়ূম লৈকায়না শিদোক্কদবগী ৱারেপচেগী কোপি অমা ক্লবকী সেক্রেটরিনা য়াচঙবদা মঙোন্দা পীরম্বনি। পাউদু খঙবদগী হান্ননা থরক হুনগৎলবী তম্পাকলৈমা অমুক্কা হেন্না নুংশুক নুংজানখিবনি। অদুবু মহাক কদায়দা মায় লৈদুনা চেনফম লৈতে। চেনসু চেনগে খন্দে। থেংনবা পূম্বা মথৌনি খনখি। মশাগী থোইনা খল্লুদ্রগসু মহাক মচাশিংগীদি খল্লি।

নুপী থানাশিংদুগী মনুংদা খরা অহল ওইবী অমা য়াওবদুনা মঙোন্দা হায়-

"ইবেম্মা! নুপা হায়বসিদিনে মতুং-মনাওদি লুনকা তৌবা য়াবা নত্তেকো। ইচেনা তাক্লিসিনি, লাইৱানি। অঙাং লৌহল্লু। ফি শুহল্লু। চাক থোংহল্লু। ঙাইহাক্তা শংহন্দবা... খঙলেদনা। মীনা নোক্লজসনু। ঙসি মীশিংদুনা নঙগীদমক্তা কৈদৌবিরৈ? নথন্তা অততাই তারিদুনি। নুপী মশেলনি। নুংঙাইতে হায়ৱানি।"

তম্পাকলৈমা খুমদে। মীনুংশিগী ৱাহৈদুগী মহাক্না মমল খঙবা উৎনীংবনি। করিননো খঙদে। মহাক করিমতা হৈনীংখিদরে।

ইম্ফালগী পুলিস ষ্টেসন য়ৌরে। তম্পাকলৈমা মমা-মচা লোকঅপ্তা চঙলে। থোঙ হেক হাংবগা মমা-মচাবু থনম্লগা মপাল্লোমদগী শো লোনশিনখি।

তম্পাকলৈমা মিংচৎ থীরে। ঈজৎ পূম্বা মনাক্তগী লোইনা চেনখ্রে। ফিদম্নিংঙাই ওইবা পূম্বা অমত্তা খাক্তনা মাঙখ্রে। ইকায়নীংঙাই মশক্লি। মহাক্কীনি হায়বা লৌখৎনীংঙাই অমত্তসু লেমহৌদরে। অদুবু কদ্রক কদ্রকপা মরিং-মরাংবা পুন্সি লম্বী অদুদা নান্থোকপা য়াদনা তম্পাকলৈমা চৎহৌরি। মপুরোইবগীদমক। তরু-তনাননা চৎচনীংবা লম্বীদা কোক্লরোইদবা দাগফম অমদি লেঙদনা লৈহৌরে। থৌবু ওইরিবা মাগী নুপানা চেনখ্রে। থৌবু নত্তবা মহাক্লা চৈথেং অমদি চৈনাখোল অনীমক তুনা ফংহৌরে।

"ইমা চাক লাম্মে, য়ূমদা চৎসি।"

তম্পাকলৈমা খংপ্রেক খংঙি। চহী অহুমতা ঙায়রিবা মচাদু মথানুংদা চেৎনা কোল্লি। পীক্লিবা মচাগী মখজাই অনীদা ওন-ওন্দুনা পেন্না চূপ্পী। তপ্না তপ্না মকোক্তা নানবী। মমিৎতা মপি অরৎপা লৈতনা শিন্থরকই।

'নখোয় অনী অহুম চঙঙুনে। মশম ফোয়বা হৈরোইদ্রাও? ঐ তম্বীয়ুরা? মৱাদি ৱারক্কে হায়দ্রদুনা...। পঙশিন্নরিবনি, মশম ফোয়রগা খঙগদবনি।"

মখোল তাবদা খংঙি। ঙসাইগী সেকেন্দ ও সীদুনি। কংনোক নোকখি। রাশি য়াওদবা মীনোক্তু তাবদা তম্পাকলৈমা মতু খ্যাও চুংখি। মকপ্লাক নীক্লকই। মশা পূম্বা করিনো খঙদনা খংচোক চোকথরকখি।

"মীনা চাক লাম্মে হায়রগা...।"

সুন্দ্রংদা তাউরকই। ভাব-মেন ইতা তাদনা মনমদা মচাবু চেৎনা পোখৎলি। পীক্লবা মনম-মহা নমথিরবা কাতুপ মনুংদুদা মহাক কাতু-কারল চৎলি। মচাগী মনমদা পোপ পোক ফুবিদুনা মচানা তূমথখিবা ঙাইরি। অরাম-খৌরাংবনা চোকথরবা মচাদু উচিন নাচিন্না তূমথখ্রে। মচানা মমিৎ উইশিনখ্রবদা মাগী মমিৎতা নৌনা মপি অরৎপা লৈতনা শিন্থরকই। ফক্লাংদা ঙারদুনা অহিং নোংশোইবা কপ্তুনা লেল্লন্মী।

নোংঙাল্লে। কনানা মমা-মচাবু লৌথোকপীরিবনো খঙদে। কাগী থোঙ কন্সটেবল অমনা হাংদোক্লে। সংসারগী অঙানবা মরক্তা অমুক তিল্লকপদা মহাক মপূক্নিং খংনুং নুংশিরকই। ময়ূম য়ৌনীংবনা ঙাওরকই। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দগী ককৱা পুলিস ফাওবা গাড়ীনা থিল্লকই। গাড়ীদা কাখৎ-কাখৎনা খল্লি। মাগী নুপানা মহাক্কীদমক চোঙথোরক্তুনা মহাকপু লৌথোকপীরম্বা য়াই। মাগীদমক অমদি মচাশিংগীদমক খনবদগী। মনাক্তা ফল্লিবা কন্সটেবল অমনা হায়-

"ইতৈমা, য়ূম হেক য়ৌবগা ইতৈমনা শেল খরা থৌরাং তৌবিয়ু। পংয়াম য়াম্বা নত্তে... লিশীং অনীমুক্তি থম্বীরমদবা য়াদ্রে। ঐখোয়গী সেকেন্দ ও সীনা হায়জরকপনি। নৎত্রগদি তাদদু ফা-পূনবা থোক্লগদি কয়া ৱায়োং চারোই!"

তম্পাকলৈমা তুমিন লৈবা য়ারক্তে। হংলকই-

"ইবুংঙো কৈদৌনবা -মাবু ফু চৈদনবগীরা?"

"হোয়, অদু নৎত্রগদি...। হৌজিক্কানসিদি ... নৎত্রনে ইতৈমা। নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা থিনবিরক্কদবনি।"

মখোঞ্জেল নীকখি। মথম্মোয় শেগাক তাখ্রবোই নীংঙি। নুংদা মখা চিক্তুনা খাঙঙি। মমিৎ অনীমক ঈ কারকই তম্পাকলৈদু। ককৱাগী পুলিস ষ্টেসন য়ৌদুনা গাড়ী খাম্মী। গাড়ী হেক খাম্বগা হোয়-মাই হায়রমদনা ময়ূম য়ৌনবা পরপ-পরপ চেন্না চেন্না লাকই। করি করিনো পুলিসতুনা ঙাঙহৌবদু মহাক তাখিদ্রে। লম্বীদা চৎলম্বশিংনা 'য়ু য়োনবী ওইরমগনি' চিবোন-চিবোন হায়নহৌবদুদি মহাক তাখি। কোন্থোং য়ৌরে। তম্পাকলৈমা মখোঙ থাংজিনবদি ঙমদ্রে। ময়ূম শিদোক্লম্লে। মাগী ময়ূম লৈরমদ্রে। তম্পাকলৈমা অমম্বা মরক্তা পুমলুপ লুপখ্রে। মখোঞ্জেল থোক্লা মতিং ফুদোক্তুনা লাউনীংলকই-

"ঐগী ইরাল করিনো... ঐনা করি লানখ্রবগে? মী অমখক্লা ফৎত্রগা ইমা-ইচা ঐখোয় লোইনমক্কী হক মৎপীরিবা করিগীনো?"

অদুবু মাগী খৌনাউদগী খোঞ্জেল অমতসু থোরকখিদরে। নুমিৎ থোক্লিবরা? থা থোকখ্ররা? থৱান্মীচাকশিংনা কদায়দা ...? মহাক অমতসু খঙদ্রে। শীদোক্লবা ময়ূমদুবু শংত্রিক য়েংদুনা অহিং চূপ্পা লৈহৌরি।

**—ঐচ বেনুবালা**